# পাকিস্তান্না বোর্দর থিংজিনখিবদগী অফঘান সিটিজনশিং এয়রলিফট তৌবগী ফীভমদা লৈখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ০৫ :
পাকিস্তান্না বোর্দর থিংজিনখিবনা লায়রবা অফঘান ২৫,০০০ দা চৈথেং পীরে অমসুং মতম শাংনা থিংজিনবদগী বোর্দরদা ফায়দুনা লৈরিবা ভিজিটরশিং তঙাই ফদনা এয়রলিফট তৌবগী ফীভম লৈরে হায়না ইস্লামাবাদতা লৈবা অফঘান এম্বেসেদরনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফেসবূক পোষ্ট অমদা এম্বেসেদর অদুনা পাকিস্তানবু মরম চাদনা লোনা য়াবা পাক/অফঘানগী লল্লোন-ঈতিক অমসুং ট্রাঞ্জিট রুটশিং থিংজিনবগীদমক ক্রিটিসাইজ তৌখি। মহাক্না উনখিবা পাকিষ্টানগী ওফিসলশিংনা মদু তৌবগী চূনবা মরম পীবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না হায়খি।

'ঙসি ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোরন এফেয়র্সকী এদভাইজর সর্টাজ অজিজগা ৱারী শানবদা চখোক-চৎশিন তৌবা য়াহন্দনা ফায়হন্দুনা লৈরিবা অফঘান ভিজিটরশিংবু হনবা য়ানবা বোর্দরগী মফম অমা হাংদোক্তবা তারবদি ঐহাক্না ঐহাক্কী গভর্ণমেন্টদা মখোয়বু পুথোকখিনবা চারটর্দ ফ্লাইটশিং লাংবিনবা হায়রগনি হায়না মঙোন্দা খঙহনখি। অদুম ওইনমক মসিনা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা শক্তম অমা উহনগনি।'

'বোর্দর থিংজিনখিবগী মতাংদা ঐঙোন্দা মরম চাবা এক্সপ্লেনেসন পীদ্রি। ক্রোসিং পোইন্টশিং অদুবু থিংজিল্লিবসি টেররিষ্টশিংনা চখোক-চৎশিন তৌবা থিংনবনি হায়বা ৱাফম অসি মরম চাদে, মরমদি তোর্খাম অমসুং স্পিন বোল্ডাক্কুম্বা পোইন্টশিং অসি মিলিটরি অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি পার্সনেল চা কয়ানা ঙাক শেনবা অমসুং চেক তৌনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং খুৎশু-খুৎলায়শিং মতীক চানা লৈরবা মফম ঙাক্তনি।'

লাহোর, সেহৱান অমসুং অতৈ সিটি কয়াদা টেররগী থৌদোক কয়া মথং-মথং থোক্লকখিবদগী পাকিষ্টান্না অফঘান বোর্দর থিংজিনখি। ইস্লামাবাদনা এটেকশিং অদু অফঘানিষ্টানগী বোর্দরদা বেজ তৌবা এলিমেন্টশিংনা পাঙথোক্লিবনি হায়না মরাল শীরি।

অফঘান পাউখোল্লোই অদুনা হায়খি মদুদি, লেপ্তনা বোর্দর থিংজিনবা হায়বসি অফঘান মীচমশিংদা চৈথেং পীনবা চথবা থৌওং অমনি অমসুং মসিনা লৈবাক অনীগী লল্লোন-ঈতিক্তা চাউনা অকায়বা পীরি।

পাকিস্টানি ওথোরিটিশিংনা অফঘানিষ্টানদা চঙফম ওইবা মরু ওইবা বোর্দর ক্রোসিংশিং থিংজিনখিবদগী য়ুম্লোন্নবা লেন্দলোক লৈবাক অদুগী লল্লোন-ঈতিক্কী পোৎ-চৈশিং পাশিনবা লেপহনখি অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎহনখি। পাকিস্টান্দা লৈবা লাইফম অমদা মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা শাথিরবা সুইসাইদ বোম এটেক অমা চথখিবা মতুংদা ইস্লামাবাদনা অনীশুবা মরু ওইবা বোর্দর ক্রোসিং থিংজিনখিবনি। বোম্মিং অদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা পাকিষ্টান্না তোর্খামগী বোর্দর থিংজিনখি। মদুগী মতুং নুমিৎ ইকান কান্নদনা মেন বোর্দর ক্রোসিং থিংজিনখি।

বোর্দর ক্রোসিংশিং খঙহৌদনা থিংজিনখিবদগী লল্লোন-ঈতিক্কী পোৎলম-চৈরমশিং পুবা ত্রকশিং অমসুং সিপ্পিং কন্টেন্নরশিং বোর্দর ক্রোসিংশিংদগী মাইল খরা থাপ্না খাম্ন দুনা লৈখি। তোর্খামনা পাকিষ্টানবু অফঘানিষ্টানগী নঙ্গারহরর প্রোভিন্সকা শম্নহল্লি অমসুং তমননা কান্ধাহারগী স্পিন বোল্ডাক মনাক্তা লৈ।

# জপানদা মীওই ৯ তোংবা হেলিকোপ্টর অমা কায়খ্রে



টোকিয়ো, মার্চ ০৫ :
জপানদা নোংমাইজিং নুমিৎতা চীংগী রেস্ক্যু এক্সরসাইজ পাঙথোক্লিবা লোকেল ওফিসল মাপন তোংবা হেলিকোপ্টর অমা কায়খ্রে অমসুং মদুদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরম্বা য়াই হায়বগী মীপাইনবা লৈ হায়না ওফিসলশিং অমসুং মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল জপানগী নাগানো প্রিফেকচরদা লৈবা উন্না কূপ্লবা চীংমাই অমদা য়ৈশিন্দুনা কায়খিবা হেলিকোপ্টর অদু পুলিসকী হেলিকোপ্টর অমনা কোইথি থিদুনা ফংখি হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কে অমসুং অতৈ মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

'ঐখোয়না মীওই অহুম খঙহৌদনা হার্টকী মথৌ লেপখিবা অমসুং ৱাখল মাংখিবগী ফীভমদা লৈরম্বগী পাউ তারে, তৌইগুম্বসুং অতৈ মীওই তরুক্তি হৌজিকসু থিবা খঙদ্রি' হায়না ফায়র অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

জপানদা মহৌশানা মেদিকেল ওথোরিটিশিংনা হকচাংশিং ইগজামিন তৌখ্রবদি ওফিসলশিংনা অশিবশিং কনফার্ম তৌদে।

হেলিকোপ্টরদুদা তোংলিবা মীওই মাপনদু চীংগী রেস্ক্যু ড্রিল অমদা শরুক য়াগদবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিলসশিংনি হায়না লোকেল রিপোর্টশিংনা হায়খি।

# কিম জোং-নাম মীহাৎ: নোর্থ কোরিয়াগী দিপ্লোমেটপু মীহাৎপগী থিজিনবদা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে



কুলা লম্পুর, মার্চ ০৫ : পিয়োংয়াংগী লীদর কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বগী মীশিগী মতাংদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা অচেংবা থিদুনা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মালেসিয়াগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরনা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসেদরবু নোংমাইজিং নুমিৎতা মরাল শীখ্রে।

কিম জোং-নামগী অসাসিনেসনগী মতাংদা চথুবা ইনভেষ্টিগেসনবু হন্দক্তা মহাক্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবগীদমক্তা এপোলোজি অমা থোক্লবা হায়বদা য়াখিদবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসেদর কাং চোলবু মালেসিয়াগী ফোরন মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিদগী তান্থোকখিবা মতুংদা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ জাহিদ হমিদিনা ৱারোলসি থোক্লকখিবনি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

'এম্বেসেদরগী ৱারোলদু চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিবু মেনিপ্যুলেট তৌনবনি হায়বসি ঐখোয়না লায়না খঙবা ঙম্মী' হায়না জহিদনা রুলিং পার্টিগী মেম্বরশিংগা চথুবা মীফম অমদা হায়খি।

'ৱিঠনেসশিংবু ইন্টরভিয়ু তৌবা অমসুং দি এন এ সেম্পলশিং নৎত্রগা সি সি টি ভি ফুটেজবু ওইরো ইভিদেন্স কলেক্ট তৌবনচিংবগা মরী লৈননা ঐখোয়গী প্রোব অসি মথৌ শেংনা খঙনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা কাংদা নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবাকসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রবনি।

কিম জোং-নামবু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৩ দা কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ভি এক্স নর্ভ এজেন্ট শিজিন্নদুনা হাৎখিবদগী মালেসিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা মালেসিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি।

ক্রাইম অদুগা মরী লৈননা মালেসিয়ানা ইরাই নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী এয়র কোরয়ো এয়রলাইন্সকী ইমপ্লোয়ী অমা ওইরিবা কিম য়ুক ইল ফানবগী ৱারন্ট অমা থোকখি। ইমপ্লোয়ী অসি কুলা লম্পুরদা লৈবা মহাক্কী লৈবাক্কী এম্বেসিদা চঙশিন্দুনা চঙজফম লৌখ্রবনি।

মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা নোর্থ কোরিয়ন দিপ্লোমেট হ্যুন কৱাং সোংবুসু ৱাহং-পাউহং তৌনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক, দিপ্লোমেটিক ইম্যুনিটিনা মরম ওইদুনা মহাকপু ফাবা য়াদ্রি।

মখোয়নিনা শাথিরবা নর্ভ এজেন্ট শিজিন্নদুনা কিম জোং-নামবু হাৎনবা থৌরাং তৌখিবশিংনি হায়না চিংনবা নোর্থ কোরিয়ন মরি মালেসিয়াদগী চৎখিবদা থিন্দোকখি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা নুপী অনীদমক ফাদুনা থল্লি। মখোয়নিনা রুমান অমা শিজিন্নদুনা কিম জোং-নামগী মমায়দা ভি এক্স তৈশিনখি হায়না মরাল শীরিবনি।

নোর্থ কোরিয়ন মরিদুনা নুপী অনীসিবু নেকখিবনি হায়না মালেসিয়ন পুলিসনা থাজে। নুপী অনীসিগী ৱারোলদা ভিক্টিম অদুদা প্রাঙ্ক অমা শান্নবগীদমক্তা মখোয়বু নেকখিবনি হায়খি।

য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা পিয়োংয়াংবু মীহাৎ অদু পাঙথোক্লবা শরৌ তৌখি হায়না মরাল শীখ্রবনি। অদুম ওইনমক মীশি অদুগা মরী লৈননা মালেসিয়ানা পিয়োংয়াংদা চপ চানা খুৎ থিনবদি তৌদ্রি।

অমরোমদা নোর্থ কোরিয়ানদি শিরিবদু হার্ট এটেক তৌবদগীনি হায়না ক্লেম তৌরি।

# য়ু এসতা শিখ নুপা অমা শকখঙদবনা কাপ্পদগী শোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ০৫ : য়ু এসতা লৈবা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা শিখ নুপা অমা মহাক্কী ময়ুমগী মপানদা মমায় মচেৎ অমা মায়খুম উপ্পা গনমেন অমনা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোকখ্রে। কেন্সাসতা ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক লৈরগা থোক্লিবা হেট ক্রাইম ওইবা য়াই হায়না চিংনবা থৌদোক অদুদা গনমেন অদুনা শিখ নুপাদুদা 'নশাগী লৈবাক্তা হনখ্রো' হায়না লাউখি হায়রি।

নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা শিখ নুপাদু ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা দীপ রাই কৌবা য়ু এসকী সিটিজন অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা ৱাশিংটনগী কেন্টদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমগী মপানদা মহাক্না মহাক্কী গাড়ী য়েংশিন্দুনা লৈরিঙৈদা শকখঙদবা মীওই অমা মনাক্তা চঙশিল্লকখিবনি।

লোকেল পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, মীওই অনীদু মরৈ য়েৎনরকখি অমসুং সসপেক্ট অদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না রাইদা 'নরৈবাক্তা হনখ্রো' হায়খি হায়না লাউখি। মদুগী তুংদা মশক খঙদবা নুপাদুনা মহাক্কী পাম্বোমদা নোংমৈনা কাপখি।

ভিক্টিম অদুনা শুট্টর অদু ফুট তরুক ৱাংবা মমায়গী মখা থংবা তঙ্খায় অমা মাস্কনা কূপশিনবা অঙৌবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখি। কেন্টকী পুলিসনা গনমেন অদু থিরি হায়রি।

কেন্ট পুলিসকী চীফ কেন থোমাসনা হায়খি মদুদি, শিখ নুপাদু শুটিং অদুদা নুংশাথীনিঙাই ওইদবা মওংদা শোক্লবসু মখোয়না মদু তরায়না খনবা য়াদবা থৌদোক অমনি হায়না লৌই।

# সোমালিয়াগী ঈকংদা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা চাবা ফংদবদগী মীওই ১১০ শিখ্রে



মোগাদিসু, মার্চ ০৫ :
শাথিরবা ঈকংগী ফীভমনা লৈবাক শিন-থুংবগী মীওই মিলিয়ন কয়াদা অকিবা পোকহনবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ৪৮ দা সোমালিয়াগী লমদম অমতংদা মীওই ১১০ চাবা ফংদবদগী শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

সোমালিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঈকংগী ফীভমদু নেসনল দিজাষ্টর অমনি হায়না লাউথোকখিবদগী চাবা ফংদবদগী শিখিবা মীগী মশিং পীবসি মসিনা অহানবনি। মপুং ফারবা চাক্তাংবগী ফীভম অমা লাক্লগনি হায়বা চেকশিন-ৱা কয়াগী মরক্তা হোর্ন ওফ অফ্রিকা হায়না খঙনবা ইষ্টর্ন অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা মীওই মিলিয়ন ২৫ তেংবাঙগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পারি।

সোমালি দ্রাউট কম্মিটিগা লোয়ননা চথুবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর হশন অলি খাইরেনা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না লাউথোকখিবা শিখিবা মীশিংগী মশিংদু লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা বে রিজনদা শিখিবশিংখক্তনি হায়রি।

সোমালিয়া অসি য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা হৌখিবা থাদা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা চাবা ফংদবা অমসুং মপুং ফারবা চাক্তাংবগী ফীভম থোকহন্দনবগীদমক্তা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৪ গী মতেং অমা তঙাই ফদনা চঙগনি হায়না লাউথোকখিবা অমসুং তেংবাঙ অসিগীদমক আপিল তৌখিবদা আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা লমদম মরিগী মনুংদা অমনি। চাক্তাংবগী ফীভম মায়োক্লরিবা মহাক্না পনখিবা অতৈ লমদম অহুমদুদি নোর্থ ইষ্ট নাইজেরিয়া, সাউথ সুদান অমসুং য়েমেননি। 'লমদম মরিমক মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা শাথিরবা মুক্লবগী ফীভমগী লংলা অমনা শন্নে' হায়না য়ু এন চীফনা হায়খি।

য়ু এনগী হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর ষ্টেফেন ও'ব্রিঅন মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা সোমালিয়াদা চৎলগনি।

মীওই লিশিং কয়ানা চীঞ্জাক্কী তেংবাঙ থিবদা সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা থোমজিন্নরকখিবগা লোয়ননা লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনল এইদ এজেন্সিশিং অৱাবা ওইরে হায়রি। হন্দক্তা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লবা মীওই ৭,০০০ হেন্না ফীদিং সেন্টর অমদা পুশিন্দুনা পীজ-পীথক তৌখিবা লৈখ্রে।

ঈকংগী ফীভম অসি সোমালিয়াগী নৌনা ইলেক্ট তৌবা সোমালি-অমেরিকান প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অব্দুলাহি মোহম্মদকী অহানবা ক্রাইসিস ওইরি।

মমাঙদসু ঈকং কয়া থোকখিবা অমসুং এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ অল-সাবাবনা চথুরিবা এটেকশিং য়াওনা চহী ২৫ শুরক্লবা মুক্লবগী ফীভমনা লৈবাক অসি তং-তাদবা অমসুং অচৌবা অৱাবা ফীভম অমদা লৈরকখি।

# টর্কিদা কায়খিবা সিরিয়ন ৱারপ্লেনগী পাইলোট রেস্ক্যু টিমনা থেংনখ্রে



দামাস্কস, মার্চ ০৫ : টর্কিগী লমগী শরুক্তা তাশিন্দুনা কায়খিবা ৱারপ্লেনদগী পারাসুটকী মতেংনা তারকখিবা সিরিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোট অমা টর্কিশ রেস্ক্যু টিম অমনা থেংনদুনা হাতাই রিজনদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি হায়না হোস্পিটালদুগী স্পোক্সপার্সন অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিগী দোগান ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, নোংমাইজিং নুমিৎতা কায়খিবা প্লেনদুগী পাইলোট অদু প্লেন কায়ফমদগী কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্না লৈরম্বা থেংনখি। মহাকপু অহানবদা জন্দরমরি বেজ অমদা পুখি অমসুং মদুগী তুংদা হোস্পিটালদা পুখি। হোস্পিটাল অদুগী মেদিকেল ষ্টাফনা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা পাইলোট অদু মেহমেট সুফহান কৌই হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মহাক য়াঙলেনদা ফ্রেকচর খরা লৈরবসু অরুবা ফীভমদি ওইদ্রে হায়খি।

টেলিভিজন ফুটেজনা হোস্পিটালদুগী মনুং অমসুং অকোয়বদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী মওংশিং উৎখি।

থাংজ নুমিৎতা সিরিয়ন ষ্টেট টেলিভিজননা আর্মিগী ছোর্স অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, টর্কিশ বোর্দর মনাক্তা মিসন অমা পাঙথোক্লবা পাইখিবা ফাইটর জেট অমা এয়র ফোর্সকা কন্টেক্ট মাংনখ্রে। টেলিভিজনগী পাউদুদা অকূপ্পশিংদি পনখিদে। এয়রক্রাফট অদু করি মরমদগী ক্রাস তৌখিবনো, মদু এটেক তৌবদগী থোকখিবরা নৎত্রগা টেক্নিকেল ফেলর লৈখিবরা হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

মিলিস্যা কয়া অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী কম্বেট ওপরেসন কয়া সিরিয়াগা তাইনবা টর্কিগী শাংলবা ফ্রন্টিয়র মনাক্তা পাঙথোক্লি। টর্কি অসি সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অসাদপু খ্বাইদগী হান্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং সিরিয়াগী চহী তরুক শুরবা লাল অদুদা টর্কিনা অসাদকা লান্থেংনরিবা রেবেলশিংবু শৌগৎলি।

লৈবাক অনীগী বোর্দরগী সিরিয়ারোম থংবা শরুক্তা চথুরিবা ওপরেসনশিংদা টর্কিশ আর্মর্দ ফোর্সশিংনা শরুক য়ারিবনি।

সিরিয়ন ষ্টেট মিদিয়ানা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী ফোর্সশিংনা টর্কিগী হাতাই রিজনগা নক্লবা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা হান্না ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিল্লম্বা ভিলেজশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্না খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরি হায়খি।




## /EMPLOYMENT NEWS

### National Aerospace Laboratories – NAL Recruitment – 28 Technical Assistant, Technical Officer & Senior Technical Officer Vacancy – Last Date 25 March 2017

**NAL Recruitment:**
National Aerospace Laboratories (NAL) invites application for the post of 28 Technical Assistant, Technical Officer & Senior Technical Officer. Apply Online before 25 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 01/2017
**NAL Job Details :**
Post Name : Technical Assistant
No. of Vacancies : 25 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800 /-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Technical Officer
No. of Vacancies : 01 Post
Pay Scale : Rs.9300-34800 /-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Senior Technical Officer
No. of Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Rs.15600-39100 /-
Grade Pay : Rs.5400/-

**Eligibility Criteria for NAL Recruitment :**
**Educational Qualification :**
For Technical Assistant : First Class Diploma in relevant Engineering / Technology of atleast 3 years full time duration OR atleast 2 years full time duration in cases of lateral admission in Diploma Courses or its equivalent with experience of 2 years in the relevant area / field
For Technical Officer : B.E./B.Tech or equivalent in aeronautical / Aerospace Engineering with 55% marks.
For Senior Technical Officer : MBBS with 55% marks from a recognized medical college / University or B.E/B.Tech in Computer Science with 55% marks
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 28 years for Technical Assistant & 35 years for Technical Officer/Senior Technical Officer as on 25.03.2017

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**

**Selection Process :** Selection will be made on through Interview/Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft drawn in the name of Director, NAL and payable in Bangalore. candidates belonging to SC/ST/PWD, Women and regular employees of CSIR are exempted from payment of application fee.
**How to Apply NAL Vacancy:** Interested Candidates may apply Online through the website www.nal.res.in & send the print out copy of Online Application Registration Form duly signed together with recent passport size photograph, Application fee, copies of Matriculation / SSLC / Apprentices Certificate Qualifications, Experience etc. should be sent in a sealed cover superscribing "Application for the post of Technician, Post Code No.________, Advt.No.1/2017" to The Administrative Officer CSIR National Aerospace laboratories Post No.1779, HAL Airport Road, Kodihalli Bangalore – 560 017 (Karnataka) on or before 25.03.2017.
**Important Dates to Remember:**
Last Date For Submission of Online Application & Hard copy : 25.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.nal.res.in/pdf/All%20India%20advt%20%20group%20III%20%204%20of%202016.pdf
**Apply Online :** http://recruit.nal.res.in/jobs/

### Bharat Sanchar Nigam Limited – BSNL Recruitment – 2710 Junior Telecom Officer (JTO) Vacancies – Last Date 06 April 2017

**BSNL Recruitment 2017**
Bharat Sanchar Nigam Limited (BSNL) invites application for the post of 2710 Junior Telecom Officer Telecom JTO(T) on Direct recruitment. Apply Online before 06 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 12 – 2 / 2016-Rectt.
**BSNL Job Details :**
Post Name : Junior Telecom Officer Telecom JTO(T)
No. of Vacancy : 2710 Posts
Pay Scale : Rs. 16400 -4050o/-
**Circle Wise Vacancies :**
Andaman & Nicobar : 13 Posts
Assam : 166 Posts
Bihar : 10 Posts
Chhattisgarh : 56 Posts
Gujarat : 260 Posts
Himachal Pradesh : 53 Posts
Jammu & Kashmir : 84 Posts
Jharkhand : 45 posts
Karnataka : 300 Posts
Kerala : 330 Posts
Maharashtra : 440 Posts
North East-I : 91 Posts
North East-II : 17 Posts
Northern Telecom Region NTR : 28 Posts
Odisha : 94 Posts
Punjab : 163 Posts
Tamil Nadu : 103 Posts
Uttar Pradesh (West) : 117 Posts
Urrtanchal : 10 Posts
West Bengal : 93 Posts
Chennai Telecom District : 37 Posts
**Eligibility Criteria for BSNL Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates must possess BE/ B.Tech. or equivalent in Telecom/Electronics/Radio/Computer/ Electrical/Information Technology/Instrumentation Engineering or M.Sc. (Electronics)/M.Sc.(Computer Science) AND are required to appear GATE exam 2017, opting one paper from selected four disciplines of GATE paper codes i.e. CS / EC / EE / IN.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 06.04.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 5 years, for OBC Candidates 3 years & For PWD Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on through VALID GATE SCORE-2017.
**Application Fee :** Candidates belonging to OC/OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 300/- for SC/ST candidates through Online by using Internet Banking, Credit Card, Debit Card Only.
**How to Apply BSNL Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the Website http://www.bsnl.co.in/ from 06.03.2017 to 06.04.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.externalbsnlexam.com/documents/GATE_JTODR_Notification.pdf
**Apply Online :** http://www.externalbsnlexam.com/